# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-26

**(Summing up the consequences of such harmful impact of Climate change)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) শকহেনসনা - কোলেজ প্রোফেসার (২)ইনুংঙানবা - ক্লাইমেটোলোজিষ্ট (৩) য়োহেনবা - ইনভাইরোন্টমেন্টলিষ্ট

নুপী:- (১) চঙখোনলৈমা - শকহেনসনাগী নুপী
(২) পানথোই - শকহেনসনাগী মচলনুপী

(মতম:- অয়ুক অঙনবা, মফম: শকহেনসনাগী য়ুম, টি.ভি. কন্না লৈখৎলগা থাবগী মখোল)

চঙখোনলৈমা :- পুংশিসু নিপাল তাশিনলক্লেনে, মোই তামোদুনা হৌজিক ফাওবা হঞ্জিল্লক্ত্রিসিনা কৈদৌ লৈখ্রজাৎনো, ঙসাই অয়ুক মল্লি মল্লি তৌরিঙৈদগী ৱাক্কিং চৎলুনি হায়দুনা চৎখিবনি, হেক হঞ্জিল্লকপগা অমুক কোলেজ কাবা থেংঙে থেংঙে হায়দুনা ইশৌ লাংবীরনি। পান্থোই নত্রনে টি.ভি. কন্না লৈখৎলকইসিনা করি অমুক য়েংলিজাৎনো হৌজিক অয়ুকসিদবো, পান্থোই... পান্থোই... পান্থোই... (কন্না কৌবা)।

পান্থোই :- কৈদৌরগে ইনন্মা অদুক কন্না কৌরিদুবো, ঐবু না পংবদৌনা।

চঙখোনলৈমা :- নঙগী টি.ভি. দু খরা লৈথৌনে, ননাগা লোয়না পংবতারে, নঙবু কোলেজগা অমতা চৎলরোইদবরা ঙসিবো।

পান্থোই :- ঙসিদি চৎলরোইগে ইনন্মা, ইগজাম ময়া য়ৌশিল্লকঅবনিনা ক্লাসসু কয়া তৌদরে, য়ুমদা ওইনা অদুম পারগে।

চঙখোনলৈমা :- উম পানি শোয়ররোই, নঙনা পাগদৌরিবা লাইরিক খুপাদো ইনন্মদি মীৎতা শং শংবু উরে।

পান্থোই :- ঙরাং য়েংহৌদবা টি. ভি. প্রোগ্রামসে হৌজিক রিপিট তেলিকাষ্ট লাকপসিদা ঙহাক্তা য়েংগে তৌজবনি, য়েংদা য়েংজররোই (টি.ভি. মুথৎপা), ইনন্মনা ঙসাইদগী ঐঙোন্দা ঙাংলিদু থবক তৌবা য়াওদে হায়বগী ঙাংলি নৎত্রো (শাওবা)।

চঙখোনলৈমা :- হায়মা করি অঙাংনোনে মসিবো, ঐদি চুম্নদা ফাগীওই করিওই হায়বনি, থওইনগা শাওরিনে, হয়েংখৈ নঙোন্দা ৱাগা অমতা ঙাংজররোই, ঐ লাঞ্জরে ইবেন্মা (মরৌ লৈনা ঙাংবা)।

পান্থোই :- ইনন্মগী ৰাঙাংদো মরৌ লৈবা মাল্লি, চুম্না চুম্নসুম ঙাংবীয়ু, কোচি থাংবা ৰা ঙাংনগুমসি (শাওবা)।

চঙখোনলৈমা :- কৈনো মতামনিনে, অঙাং মতিক নৎতনা ৰাঙাং শঙাং য়াম ঙনলিনা।

পান্থোই :- কৈনো ৰাগী ৰা চুম্নসুম ঙাংনসি, ইনন্মনা পান্নিদো করিনো শেংনা শেংনা হেক্তা হায়বীয়ু।

চঙখোনলৈমা :- করিনো পান্থোই নঙনা ঙসি তৌরিসে, ঐদি নঙোন্দা থোইদোকপা অকায়বা ৰা অমতা হায়খিদেনা।

পান্থোই :- (কপ্পা) ইমা-বাবা লৈজরম্লবদি তৌনিংবতা তৌ, চানিংবতা চা ইনিং তমজরমগদবনি, ইমা-বাবা নোয় কৈদৌবগী ঐবু হুন্দোক্তুনা থন্বীরম্লিবনো।

শকহেনসনা :- (হঞ্জিল্লকপা) কৈদৌরে পান্থোই, করিগীনো ইচলনা অদুক নপুক্লিং নুংশিনা কপ্লিবদুবো, কনানা কৈদৌরগে ইবুংদা হায়য়ু, ইবুং লৈরিসিদি।

পান্থোই :- কৈসু তৌদে সুম কপনিংদুনা কপ্লিবনি, কপ্পা ফাওবা য়াদবরো ঐবো (কেশিন্নবা)।

শকহেনসনা :- কনানা য়াদে হায়রগে ইচলনা কপ্পবু, অদুবু কপ্পা হায়বসি মরম লৈত্রবদি কপ্পা হেক্তা য়াবা নৎতেনে। চঙখোনলৈমা ! ইচলনা কপ্লিবসিগী মরম নঙ খঙবরা, করিগীনো হায়বনি।

চঙখোনলৈমা :- মোয় তামো ! ঐনা পান্থোইদা টি.ভি. কন্না থামনলি খরা লৈথৌ হায়বনি, অদুদা মানা হেক্তা খঙশাও শাওখিবনি, ঐদি অতে থোইদোকপা অকায়বা ৰাদি অমতা হায়খিদে।

পান্থোই :- ইনন্মনা মতম খুদিংমক্তা ঐনা তৌবা থবক্তা ক্রক ক্রক য়েংশিল্লি, ঙাংদোইদা তৌ লৈ, ঐ থৰায় য়াম্না নুংঙাইতে ঙসিদি তামো, ইমা বাবা লৈজরম্লদি তামোহোয় ইনন্মহোয়দা ঐসু য়েৎচরম্লোইদবনি (কপ্পা)।

চঙখোনলৈমা :- করিগীনো ইবেন্মা নঙনা ইনন্মবু অদুক য়াম্না ৰারৌরিদুবো, ঐদি নঙবু ঐগা হেক পোকমিন্নবা ইনাওনুপীগুম খল্লিবনি, নুংশিনা করিদা শোইখিগদগে, করিদা মাঙখিগদগে শেন্নজরিবনি, সে শাওরনু ইনন্মা লাল্লে হয়েংখে নঙনা তৌবা থবক্তা ইনন্মা ৰা অমতা ঙাংলরোই, নঙনা তৌনিংবা তৌবদা অয়েৎপা অমতা পীররোই (কপ্লি কপ্লি ঙাংবা)।

শকহেনসনা :- অমুক্তা ঙাইখোবা নোয়বো, ঐনা ঙসি ৰাক্কিং খজিক্তং থেঙনা হঞ্জিল্লকপসিদা নোয়না থোকপা অমা হেক্তা তৌ লৈরম্মী, খৎনবগা চৈনবগা ঐ য়ুমদগা হঞ্জিল্লকতৌ তনবু তল্লে। ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স অমা শিঞ্জিল্লুবগী মথানা মথা শাবনে, কোক্কসে লোয়না ঙাওরে, হন্দক মতাঙসিদা ঐসে ঙাওদুনা চৎখিবরা খঙদে।

পান্থোই :- (তপথরগা) তামো ! ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স অমা শিল্লি হায়দুবো করি টোপিকতনো। ঐসু খরা য়াওবা য়াগদরো।

শকহেনসনা :- করিগী য়াদদগে, টোপিকপুদি হার্মফুল ইফেক্ট ওফ ক্লাইমেৎ চেঞ্জ এন্দ ষ্টেপ টু মিটিগেট ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়বনি, ইনভাইরোন্টমেন্ট দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নরগা পাঙথোক্কদবনি, ইচলনা অদুমাইনা হরাও হরাও তৌরবদি ইবুং নুংঙাইরে, ইচলনা নুংঙাইত্রবদি নবুং ঐসু লৈফম চাফম খঙদে।

চঙখোনলৈমা :- মোয়তামোগা ইবেন্মগগী চা পুরকঅগে, মোয় তামোগা পুন্না থকমীন্নগনি হায়দুনা ইবেন্মসু থক্ত্রি, ঐসু থকত্রীয়ে।

শকহেনসনা :- পুরকও পুরকও, ঐখোয় পুল্লপ থকমীন্নরসি, সে ঐখোয় মমাংগী হোটেলদুদগী পরোথাসে লৈরকপনি, নোয়না শাওনদুনা লৈরম্বদুদা পীবগা লোয়না কাওরে, সে মনম্মা লৌশিল্লুসে।

চঙখোনলৈমা :- ফোং ফোং শারিনে সিদি, য়াম হাওদৌ মাল্লি।

পান্থোই :- ইনন্মা ঐদি অমনা য়ারোই অনি চাগনিকো।

চঙখোনলৈমা :- হোয় হোয় চাও চাও, ঐ চা লৌরুখিগে।

শকহেনসনা :- পান্থোই ! ওক্সফোর্দ য়ুনির্ভসিটিদা ঐখোয় সিদগী ক্লাইমেটোলোজিষ্ট অমদি ইনভাইরোন্টমেন্টলিষ্ট ওইনা লৈখিবা মীওই অনিদু খঙবরা নঙবো।

পান্থোই :- তামো মশক্তি খঙদে, মমিংদি তাখিগুম তৌরে, সাইন্টিষ্ট অনিদুগী মমিংদুবু ... উম... করি হায়বনো নিংশিংবা থোক্তরেদা ঐ।

চঙখোনলৈমা :- চা লৈজরে মোয় তামো, ইবেন্মা নঙগীসু লৈরে সিদা, পরোথা অনি চানি হায়দুসু চারোসে ইবেন্মা।

পান্থোই :- অস ! চা পরোথাগা লাইরি তামো মোয় অনিগী মমিংদো অমুক্তা হায়বীরকও হায়বা।

চঙখোনলৈমা :- মোয় অনিগী মমিংদো হায়রিদুবো কনা কনাগী মমিংনোনে।

শকহেনসনা :- হেরা ওক্সফোর্দ য়ুনির্ভসিটিদা ঐখোয় সিদগী থবক তৌদুনা লৈখিবা প্রোফেসার অনিদুনিদা।

চঙখোনলৈমা :- এ ! ইনুংঙানবগা য়োহেনবগরো নোয়না হায়নরিদুবো, মোয় অনিদি য়াম্না ফবা, মতিক চাবা মীওই ঙাক্তনি, য়াম নহা ওইনসু প্রোফেসারগী ফমসু কাখ্রবনি, রিছার্চসু লেপ্পা লৈতনা মখা অদুম চৎথরিমাল্লে মখোয় অনিদি নোবেল প্রাইজ শোয়দনা ফংবা য়াইসু হায়নৈ।

পান্থোই :- ঐখোয় সিদগীসু মালেমগী ওইনা শকখঙনরবা মীওইসু লৈবোরে, তামো মোয় অনিদি ঐখোয়গীসিদা সুংলাকমক লাক্লরোইদরা, আ লন্দনদা অদুমক লৈখ্রগদরা?

শকহেনসনা :- করিগী লাক্তনি, হন্দক্কী ইবুংহোয়না শিল্লিবা ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স অসিদা রিসোর্স পার্সন ওইনা লাক্কদৌরিবনি।

পান্থোই :- অওইবরো তামো, অদুদি ঐসু হায়রিবা মীওই অনিদুগা অমুক্তা উন্নহনবীয়ু মখোয়না সিদা লাকপা মতমদা।

চঙখোনলৈমা :- ঐগসু অমুক্তা উন্নজহৌগে, ইনুংঙানবগা য়োহেনবগদো মোয় তামো।

শকহেনসনা :- হোয় হোয় নোয়গা শোয়দনা উন্নহনগে, ঐখোয় সিদা কৌরগা চাক চারা অমতংসু চামীন্নবা মতম ফংবরা য়েংসি, ঐ মোয়দা শোয়দনা হায়গে, ফরে ফরে অদুদি নোয়সু চাক ঈশিং লোয়শিন্নবা তৌরুরো, ঐসু থবক খরা ঙন্না চৎনবা তৌগে।

-ম্যুজিক-

(মফম: লন্দন, মতম: নুমিদাং অথেংবা, তাম্না লাপ্পা ইংলিস সোং শকপগী খোঞ্জেল তাবা)

ইনুংঙানবা :- য়োহেনবা ! ইবানিনা ইরমদম থাদোক্তুনা মফমসিদা, ওক্সফোর্দ য়ুনির্ভসিটিসিদা জোইন তৌদুনা লৈরক্লিবসি চহি তরামুক ফাজিল্লক্কদৌরমাল্লেকো।

য়োহেনবা :- উম ফাজিল্লক্কদৌরি, অসুক কুইবসে ঐখোয়গী থবক্লা মরু ওই খনখিবনা ইরমদম্ন নোংমতসু নীংশিংলুদরে, নোংমতসু চৎকে খল্লুদে অদুবু ঙসিদি পুক্লিং খঙনুং নুংশিরকই, ইরমদম খঙচৎ চৎনিংলকই, ইমা-ইপা, ইরি-ইতাশিং খঙউ উনিংলকই, হৌখ্রবা পুন্সিগী তাঙ্ককশিং মীৎতা শংশং উরকপগুম তৌরকই। হৌজিকসিবু পুংবু কয়া তাখ্রবগে?

ইনুংঙানবা :- মফমসিদদি নুমিদাংগী পুং ১২:৩০ তাশিল্লক্লে, ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরদদি অয়ুক্কী পুং ৭ মুক তারল্লগনি।

য়োহেনবা :- পুংসে য়াম্না থেংলবোরে, ইনুংঙানবা ! হন্দক সার শকহেনসনানা ইবানিবু ইম্ফালদা পাংথোক্কদবা ইন্টরনেসনেল কনফরেন্সতুদা লাক্লবা কৌবীরকপসে ঐখোয়গীদি ইরমদমদা চৎচবা ফংনবগী তাঞ্জা অমা ঈশ্বরনা পীবিরবনি।

ইনুংঙানবা :- উম অচুম্বনি মরুপ, ঐখোয়না ঐখোয়গী রিছার্চ ৱার্কশিংদা অদুমক লুপশিন্দুনা মতম ঙহাক্তা ফাওবা কাইথোকপা ঙমদবদগী তঙাই ফদনা দিল্লি ফাওবা চৎপা য়াওখ্রবসু ঐখোয়গী পোকফম লমদম ইম্ফালদদি অমুক্তা য়ৌরম্বা ঙমখিদবনি অদুবু হন্দক্তি ইরমদম চৎনবগী তাঞ্জা অমা হন্দক্কী সার শকহেনসনাহোয়না শিল্লিবা কনফরেন্স অসিনা পীবিরবনি।

য়োহেনবা :- হৌজিক মালেমগী মফম খুদিংমক্তা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা মীওইবগী হকশেলদা, লৌউশিংউবগী পোৎথোক্তা, নোংজু-নুংশাগী চাঙদা, অইং-অশাগী খলদা অকায়বা কয়া ওইহল্লক্লিবসিগুম ঐখোয়গী ইরমদমগী মহৌশাগী ফীভমদা চাওনা অকায়বা অহোংবা কয়া লৈরে হায়বসি তারবসু নোংমতা ইরমদমবু য়েংশিললুগে হায়বসি খল্লুদে অদুবু ঙসিদি ইরমদম্ন ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেংদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরুদবা য়াদে হায়বা ৱাখল অসি থম্মোয়দা ফাওরকপগুম তৌই।

ইনুংঙানবা :- হন্দক্তি ইম্ফালদা খরা কুইথনা লৈরক্লবা তৌসি, ক্লাইমেৎ দাতাশিংসু কল্লেক্ট তৌরকসি, থিজিনবা য়াবা, খঙজিনবা য়াবা হৌজিক ওইরক্লিবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা শোকহল্লক্লিবা হীরম কয়াসু থিজিল্লকসি।

| | | |
|---|---|---|
| য়োহেনবা | :- | (ফোন রিং লাকপা) কনাগী ফোন কোলনোনে লাকইসিবো... হায়মা সার শকহেনসনাগী কোলনিনে... হল্লো... সার.... হায়বিয়ু করি তাকপীগদবা? |
| শকহেনসনা | :- | সার য়োহেনবরা পাইবীরকইসিবো, ৱা অমতা হায়জগে তৌবনি। |
| য়োহেনবা | :- | অহোয় মানি হায়বীয়ু, ঐ য়োহেনবনি। |
| শকহেনসনা | :- | সারহোয় খিৎতং মাঙজৌননা ইম্ফাল য়ৌবীরকপা য়াগদরা, সারহোয়গা খন্নজনিংবা ৱাফম খরা লৈজবা অদুনা খিৎতং মাঙজৌননা লাকপীরদি য়াম্না নুংঙাইজগনি, ঐনা হায়জরিবা ৱাফম অসিসু সার ইনুংঙানবদসু হায়জনিংবনি, অদুবু সার ইনুংঙানবগী ফোনসি ঙসাইদগী ট্রাই তৌজবনি সুংফং ফংদে অদুনা সারনা অদুম হায়বীনবা হায়জরি ৱারৌবীবা য়াদেকো। |
| য়োহেনবা | :- | ঐখোয় শোয়দনা লাকচনবা হোৎনজগে, অদু সার ঐগী নাক্তা হৌজিক ইনুংঙানবসু লৈ, ইনুংঙানবা ফোন পাইহঞ্জরক্কে... সে ইনুংঙানবা...। |
| ইনুংঙানবা | :- | হল্লো... সার... য়োহেনবগা ইবানিসু ইরমদম চৎতবা কুইরে হন্দক্তি খরা কুইনসু লৈরকসি খন্নজরল্লিবনি। |
| শকহেনসনা | :- | অদুদি য়াম্না নুংঙাইজরে সার, সারহোয়গুম্বা মতিক চারবা মীওইশিং অসি ইরৈবাক ইরমদমগীদমক্তি য়াম্না দরকার ওই, কনফরেন্স হৌগদবা নুমিৎ কয়ানিমুক ৱাৎলিঙৈদা সারহোয় ইম্ফাল য়ৌবীরক্কনি। |
| ইনুংঙানবা | :- | দেত টুয়েন্তি দা কনফরেন্স হৌগদবনিনা, দেত সেভেনটিন, সন্দে নুমিৎসিদা হেক্তা য়ৌরক্লবা তৌজরগে, এয়ার্পোর্টতা ঙাইবীরম্মো। |
| শকহেনসনা | :- | য়াম্না নুংঙাইজরে, সার অনিনা হন্দক্কী নুমিৎ হুম্নি চৎথগদবা কনফরেন্স অসিদা রিছোর্স পার্সন ওইনা লেংবীরকপা য়াবীবগীদমক মেনি মেনি থেঙ্কস। |
| ইনুংঙানবা | :- | ওকে সার, ঐখোয়নসু সারবু হন্না হন্না থাগৎচরি ঐখোয়বু কৌবরিকপগীদমক। |

-ম্যুজিক-

(মফম: শকহেনসনাগী য়ুম, মতম: পুং ১০মুক তারকপা, নুংশা শাগৎলকপা মতম, গাড়ীগী মখোল)

| | | |
|---|---|---|
| পান্থোই | :- | ইনম্মা... ইনম্মা... ঐখোয় তামোনা সার য়োহেনবগা সার ইনুংঙানবগা এয়ারপোর্তা ওকপা চৎখিবদু ফনদি কুইশিল্লক্লে শুংলাক হেক লাক্তে, ওহ্নোক্লা কুইখরে, ফ্লাইট লাকখিবগী মখোলদি ঙসাইনা তাখরে। |
| চঙখোনলৈমা | :- | লাকচরনিদা, ঐখোয়না ঙাইবসিদা য়াম কুইরবোই নিংবনি, মোয় হেক য়ৌরকপগা চাক হান্না পীজথোক্লবা ঐখোয়না থোং থাক্লিবা ময়ামসিদুম লোয়শিন্নবা তৌরসি, য়োংচাকসিদুম খোৎলকউ, য়োংচাক শীংজু অমগা তৌসি। |
| পান্থোই | :- | ইনম্মা ঐখোয়না থোং থাক্লিবা মথেলসিবু সারহোয়দুবু চাববু হৈনখিগদরনে, মখোয়দি মতম কুইনা মীরমদা লৈরবনিনা ঐখোয় স্বায়গী চীঞ্জাক্কসে লোয়না কাওরম্লগনি। |

চঙখোনলৈমা :- কদায়দগী কাওগবনোদা, নহালখৈ কুইনা চাবা ফংলুদ্রবা এঙ্গাং মথেলশিং চাবা ফংদৌরে খন্দুনা হরাওগদৌরিবনি।

পান্থোই :- অদো ইনম্মা ঐখোয়না সোমদা সারহোয় চাক চাননবা শিন লাংলিবা ময়ামসে চাবীরমদনা মখোয় মখোয়গী ময়ুমলোমদা ওইনা হান্না চৎখ্রবদি কমায় তৌনি।

শকহেনসনা :- (তুংলোমদগী তুমীন্না চঙলকপা) নোয়বু চাক লোইরবরো, ঐদি চাক লাম্বনা লোইরে।

চঙখোনলৈমা :- হায়মা মোয় তামো লাকপগা অমতা খঙহৌদরে ঐখোয়দি, গাড়ী মখোলসু তাহৌদে গাড়ী কদায়দা খাল্লল্লগে।

শকহেনসনা :- কৈনোনে হায়রিসিবো গাড়ীবু কদায়দা খাল্লুনি হায়গে, ঐখোয়গী শুমাংদা অদুম খাম্মীনে।

পান্থোই :- তামো সারহোয়দি, সারহোয় লাকত্রবরো, ময়ুমদা ওইনা চৎখ্রবরো?

শকহেনসনা :- ময়ুমদা হান্না থীনলল্লো হায়দুনা থীনলমলেদনা, হয়েং ওইনা লাক্লগে হায়রকই।

চঙখোনলৈমা :- (শাওনিংবা) মোয় তামোবু ঙসাই ঐখোয়দা চাক চামিন্নরগা ওইনা ময়ুমদা থীন্নি হায়রমদাইনে।

পান্থোই :- অস ! ঐদি সারহোয় লাক্লগা ঐনা হঙনিংবা ৱাহং ময়াম হংগে খন্দুনা শেম শাদুনা লৈরুরিসিদি অরেম্বা তারবা।

চঙখোনলৈমা :- থোংজিল্লুরিবা চাক এঙ্গাং, মথেল লুকোই ময়ামসে মোই তামোনা লোয়না চাবীগদবনি চীঞ্জাক মাংহনবা য়ারোই হায়রিসিনিকো ঐদি।

শকহেনসনা :- (নোকপা) নখোয়গী নতৌ য়েংগে তৌবনিদা, মখোয় অনিদি আ ঐখোয়গী মী ফমফম কাদা ঙসাইনা ফল্লগা লৈহৌরবনি।

পান্থোই :- (হরাওবা) অওইবরা তামো, অদুদি ঐ চৎলে সারহোয়গা উন্নরুখিগে।

শকহেনসনা :- ঙাইখোনে নঙবো ঐগা চৎমিন্নসিনে, চঙখোনলৈমা লাকওহে ঐ নোয়বু মখোয়দা ইন্ট্রোদ্যুজ তৌগে লাকও লাকও।

পান্থোই :- সারহোয় ঐখোয়দা লাকপীবসে য়াম নুংঙাইজরে, ঐখোয় তামোদা ঐনা সারহোয় পুবিরক্তবা য়াদে হায়দুনা কন্না হায়জবনি।

য়োহেনবা :- সোমবু কনা ! ৱারৌবীবা য়াদে ঙসিদং উনবা ওইবসিদা খংজদদুনা হংজবনিকো।

শকহেনসনা :- সার য়োহেনবা ! ঐগী ইচলনুপীনে, মমীংনা পান্থোই কৌই।

য়োহেনবা :- ওহ ! সারগী ইচলনুপী, ইচলগা ঙসি উনজবসি য়াম্না নুংঙাইজরে।

শকহেনসনা :- সার ইনুংঙানবা, সার য়োহেনবা, মানা ঐগী লোয়নবী, মমীংনা চঙখোনলৈমা কৌই।

ইনুংঙানবা :- সারহোয়গী ইতৈমগা ইচলনুপীগা ঙসি থেংনজবসি ওন্থোক্লা নুংঙাইজরে, ইচলদি হৌজিক করি তল্লিগে।

পান্থোই :- পি.জি. অরোইবা সেমিষ্টর তমজরি, ইগজামসু কুইশিল্লক্তরে।

য়োহেনবা :- করি সবজেক্টতনো ইচলনা পি.জি. তৌরিবো।

পান্থোই :- ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্সতা তৌজবনি সার, মখা রিছার্চ ৱার্কসু তৌথজনিংঙি, ঙমগদ্রদি খঙদরে সার।

য়োহেনবা :- ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্স ওইরবদি য়াম্না ফরে, ঐনা ঙম্বা মতেং পুন্নমকসু পাংগনি, পি.ঐইচ.দি দুদি ঐগী গাইদেন্স মখাদা ওক্সফোর্দ য়ুনিভরসিটিদা তৌবসু য়াগনি।

পান্থোই :- অওইবরা সার, ঐনা নীংজরম্বা খনজরম্বা পুন্নমক ঈশ্বরনা থুংহনবীগদৌরি, ঐ কন্না হোৎনজগে, সারনা লমজীংবীয়ু।

শকহেনসনা :- সার য়োহেনবা, ইচলবু মালেমসিগী মতিক চারবী নুপী ইনভাইরোন্টমেন্টলিষ্ট অমা ওইনবা শেম্নীদবা য়াদবনিকো।

য়োহেনবা :- ঐনা হেক খঙজবা হৈজবা পুন্নমক ইচলদা তাকপী তন্বীজগে।

ইনুংঙানবা :- ইতৈমদি হৌজিক করি করি হোৎনবীরিবগে।

চঙখোনলৈমা :- সার ঐদি গোর্ভনমেন্ট জোবতি তৌজহৌদরে, লাইরিক লাইশুদি খরা খরা হৈজহৌবা, শেন্থোক লন্বীদি লৈজদবা য়ুমগী নুপী ময়াম পুনশিল্লগা এন.জি.ও. তৌজরি, লৈবাক সমাজদা কান্নগদবা, শেন্থোক লন্বীসু ওইজবা য়াবা খুৎশা হৈবগী পোৎথোক কয়া পুথোক্লবা হোৎনজরি।

ইনুংঙানবা :- ইতৈমানা তৌবীরিবা থবক্তু য়াম্না ফবা অদুগা য়াম্লসু মরুওইবা থবকনি, ঙসি ইতৈমগা ইচলনুপীগা উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শান্নবা ফংজবসে য়াম্না নুংঙাই।

চঙখোনলৈমা :- ঙসাইদগী সারহোয়দা হংজগে তৌবা ৱা অমদি হংজদ্রি।

য়োহেনবা :- করি ওইবিরবনো ইতৈমা।

চঙখোনলৈমা :- সারহোয়না অসুক কুইবসে ইরমদমসিদা লাকখিদবসে থবক চীনবগীদি ওইরমগনি অদুবু মরম খরসু লৈরমগদবা মানবা।

য়োহেনবা :- ঐবু পোকপী ইমা লৈখিদবদগী ঐ অদুম ওক্সফোর্দ য়ুনিভরসিটিদা চৎতুনা থবক জোইন তৌরে, ইমা ইচাদং তরক-তরক লৈজরম্বদা ইমাবু মনুং মতম চাদনা ঈশ্বরনা লৌশিনবীখ্রবদা, ঐ অমুক পোক্লফম লমদমসিদা লাক্লিংবা পোক্লুদ্রবনি, অদুবু ঙসিদি ঐ মালেমগী হোংলক্লিবা অইং-অশাগী খলনা ইরমদম অসিবু শোকহনলক্লিবা কয়াসিদগী খরদা ওইরবসু কনবা ঙমগদরা খনবদগী লাক্লিবনি।

পান্থোই :- সার ইনুংঙানবদি করি মরমদগী ইরমদমসিদা অসুক কুইবসি লাকখিদবনো?

ইনুংঙানবা :- ঐদি থোইদোকপা মরমদি লৈতে, ঐগী হায়ববু মালেমসিগী মমিং লৈরবা ক্লাইমেটোলোজিষ্ট অমা ওইনিংখিবগী ৱাখললোন অদুনা মাংওইনরগা ঐনা ইরমদম অসিদগী লাপ্পা লৈখিবনি।

শকহেনসনা :- পান্থোই ... চঙখোনলৈমা নবানিগী ৱাহং পাওহংশিংদু লোইশিন্নবা তৌরো, সারহোয় চাক লাল্লমলগনি চাক চাথোক্লবা শেম শারুরো, হোরেল চাক তোক্লগা অমুক মখা তানা নোয়না হংনিংবশিং অদু হংলো।

চঙখোনলৈমা :- ইবেন্মা পান্থোই ! লাকও চাক চাথোক্লবা শেম শারুরসি।

-ম্যুজিক-

(মফম: শকহেনসনাগী য়ুম, মতম: চাক চাবা তোক্লরকপা মতম)

শকহেনসনা :- সার অনিবু ঙসিগী চাক এঞ্জাংসিবু করম তৌবিবগে, চাবা য়াবিদ্রবরা।

য়োহেনবা :- কুইনা চাবা ফংলুদ্রবা ইরমদমগী এঞ্জাং মথেলশিং চাবা ফংবসিদি, করি হায়রুনি সার হায়ফম খঙদনা নুংঙাইবা ফাওই, ঙসিগী এঞ্জাংশিংসি থৱায় য়াওনা পীজনিংনা থোং থাক্তুনা পীজবনিনা ওন্থোক্লসু হাওখরে। ঙসিগী ঊতি অশংবদুগা য়োংচাক শীংজুদুগগী খুহাওদি পুন্সিদা কাওবা ঙল্লরোই।

ইনুংঙানবা :- ইতৈমগা ইচলগনা থৱায় য়াওনা থোংদুনা পীজবা এঞ্জাং পুন্নমক হাওতবা অমতা য়াওদে।

পান্থোই :- অদো সার য়োহেনবা হৌজিক মালেমগী মফম অয়াম্বদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা থোকহল্লকপা, অৱা-অনা অমাং-অতা কয়া মায়য়োক্লরে হায়রিবসি সারহোয়না লৈরিবা মফম য়ুনাইটেদ কিংদমদদি মায়য়োক্লদবরা?

য়োহেনবা :- করিগী মায়য়োক্লদনি, হান্না ওইরম্বা অইং-অশাগী চাংদা চাওনা অহোংবা লৈরে, কালেন থাগী মতমদা শাবগী চাং ৱাংখৎলকপদা নৎতনা নোংজুগী চাং ৱাৎলকপা অমদি নীংথমথাগী মতমদনা ইংবগী চাং হন্থরকপদা নৎতনা হ্যুমিদিতি ৱাংখৎলকপা অসিদসু নৎতনা নোং চুরোইদবা মতমদা কা হেন্না নোং চুরকপা, নুংশাগী মৈশা হেনগৎলকপদগী মীওই কয়া হিট ৱেবকী অৱা চৈথেং ফংনরক্লি।

চঙখোনলৈমা :- হৌজিক মালেমসিদা লৈরিবা সাইন্টিষ্ট অয়াম্বনা ঐখোয় মীওইবগী থবক থৌরম কয়াদগী গ্রিন হাউস গ্যাস মরুওইনা কার্বোনদাইওক্সাইদকী চাং ৱাংনা থাদোরকপদগী গ্লোবেল ৱার্মিং ওইরক্তুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোরক্লিবনি হায়বসি য়ানরবা ৱাফম ওইরে, অদুনা লন্দনগী ওইনদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্লবা করি করি উপাই লৌখৎলবগে সার।

ইনুংঙানবা :- লন্দনগী ময়োরনা লন্দন সিটিদা ইং ২০৫০ ফাওবদা জিরো কার্বোন সিটি অমা ওইহনবা ঙম্নবা পান্দম থল্লি।

শকহেনসনা :- হৌজিক কার্বোন থাদোরকপগী চাং হন্থহন্নবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অদুসু খরদং খঙনিংঙি সাহোয়দগী।

য়োহেনবা :- ইনর্জি ইফিসিয়েন্সি প্রোগ্রামশিং বিল্ডিং খুদিংমক্তা চৎনহন্দুনা ইনর্জি শিজিন্নবগী চাং হন্থহনবা, ফোশিল ফ্যুল শিজিন্নবগী মহুৎতা কার্বোনগী চাং নেম্না থাদোরকপা হাইদ্রোজেন ফ্যুল ওইনা শিজিন্নবা, অকক্লবা ইনর্জি সপ্লাই প্রোগ্রাম কয়া শেমদুনা কার্বোন থাদোরকপগী চাং হন্থহনবা অসিনচিংবা প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলি।

পন্থোই :- সার ইনুংঙানবা ! পৃথিবীগী শাবগী চাং অসি হৌজিক্কী চহি চা অসিনা লোইরকপা অদুৱাইদদি সেলসিয়স ডিগ্রি ১.৫ রোমগী চাং য়ৌনা হেনগৎলনি হায়বসিবু অচুম্বরা ?

ইনুংঙানবা :- উম অচুম্বনি, শাবগী চাং অসিনা অসুম হেনগৎলকপা তারবদি য়াম্না কিনিংঙাইগী মশক্নি।

চঙখোনলৈমা :- য়াম্না কিনিংঙাই ওইরিবসিগী মরমশিং অদুসু অমুক্তা ফজনা ঐখোয়বু খঙহনবীয়ু সার।

ইনুংঙানবা :- ঐখোয়না অহানবদা ভারত্তা গ্লোবেল ৱার্মিংনা থোকহল্লক্কদবা খুদোংথিবশিং অদু হান্না হেক্তা খন্নরসি।

শকহেনসনা :- (নোক্লগা হায়বা) ঐখোয়গী হন্দক্কী ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স অসিদি ঙসিদগী হেক্তা ঐখোয় ইমুংদা হৌরেনে।

য়োহেনবা :- সার শকহেনসনাগী ইচলনুপীগা, ইতৈমা চঙখোনলৈমগনা হৌজিক্কী মালেমগী ওইরক্লিবা য়াম্না মরুওইবা ইশু অমসু ওইরিবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অমদি মসিদগী থোক্লকপা অমাংবশিং অসিগী মরমদা য়াম্না পুক্নিং চংনা খঙনিংবা পোক্লিবসি য়াম্নমক নুংঙাইবা পোকচৈ ঐখোয়সু, মাখোয়গুম্বা মীওইশিং য়াম্নমক দরকার ওই ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা।

ইনুংঙানবা :- ভারতকী শেল থুমগী ফীভমগা লৌউশিংউবগী পোৎথোক্কা য়াম্না নক্লবা মরি লৈনৈ। লৈবাক অসিগী শাবগী চাং অসি হেনগৎলকপা মরমনা লৌউ-শিংউবগী পোৎথোকসু হস্তরক্লি।

পান্থোই :- লৌউ-শিংউবগী পোৎথোক হস্তরকপা হায়বসি লৌমীশিংদদি অৱাবা ওইরিবনি।

য়োহেনবা :- অচুম্বনি, মসিসু ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা ওইহল্লক্লিবনি। নোংজুগী চাংদা অকায়বা অহোংবা কয়া ওইরকপদগী মফম খরদনা ইকং থোকপা মফম খরদনা অমুক ঈশিং ইচাও থোকপা মরম কয়াসিদগী লৌমীশিংগী হীংনবগী লন্বীদা অকায়বা কয়া থোকহল্লক্লি। মফম কয়াদা ইকং থোকপদগী মহৈ-মরোংগী পোৎথোক্তা অকায়বা ওইহনবদা নৎতনা মীওইবা অমদি শা-ঙাগী পুন্সিদসু অকায়বা কয়া থোরক্লি। ভারতকুম্বা নোংগী ঈশিংগী মখা পোন্না লৌউশিংউবগী থবক তৌবা মফমশিংদনা অমুক্কসু হেন্না ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা শোকহল্লি।

ইনুংঙানবা :- ইং ২০১৮গী জুলাই থাদা কেরলাদা থোকখিবা ঈশিং ইচাও অদুনা মরম ওইরগা মীও ৪৮৩ রোম শিখি অমদি মীওই ১৪০ রোমনা থিবা খঙখিদে, লন-থুম কয়া অমাং-অতা থোকহনখি, মহৈ-মরোং কয়া মাঙহনখি, পুন্নমকসি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী মহৌশাগা মান্নদনা কা হেন্না নোং চুরকপদগী থোকখিবনি।

শকহেনসনা :- ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা ঐখোয় মীওইবদা পীরক্লিবা চৈথেংশিং অসি য়াম্না কীনিংঙাইনি, মসিদগী ঙাকথোক্লবা উপাই থীহৌবা হায়বসি ঐখোয়গী শোয়ফদ্রবা ইথৌনি।

চঙখোনলৈমা :- শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী মহৈ-মরোংশিংদা তীল তাবগী চাংসু হেনগৎলক্লে হায়রিবসিসু অচুম্বরা সার।

যোহেনবা :- অচুম্বনি ইতৈমা, কোলোরাদো ষ্টেট য়ুনিভরসিটিগী রিছার্চ রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী তীলশিংনা মচিঞ্জাক লান্থগী চাং হেনগৎলক্তুনা মহৈ-মরোংশিং কা হেন্না চাথোকপদগী পোৎথোক হন্থহন্দুনা লৌমীশিংদা অৱাবা কয়া মায়য়োক্লহল্লক্লি হায়না হায়রি।

পান্থোই :- গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইদুনা মালেমগী মফম কয়াদা লায়না মখল কয়া শন্দোক্লবা মরম ওইরক্লি হায়বসিসু অচুম্বনিকো সার ইনুংঙানবা।

ইনুংঙানবা :- মরম চাদনা ঈশিং ইচাও কয়া থোরকপদগী, ঈশিং হন্থখ্রবা তুঙদা তীল কাং, মহিক-মতায় কয়া কা হেন্না লৈরক্লবগী মরম ওইরকপদগী তীল কাংনা শন্দোকপা লায়না মখলশিং লেপটোস্পাইরোসিস, মেলরিয়া অমদি অহৈ লায়নাশিং শনে দারক্লবা মরমসু ওইরক্লি।

যোহেনবা :- অইংবা মফমদা শন্দোক্লমদবা কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিং, হৌজিক শাবা হেনগৎলকপদগী হান্না শন্দোক্লমদবা মফমশিংদা শন্দোরক্লি, লায়নাশিং অদুদি মেলরিয়া, দেঙ্গি, য়েল্লো ফেবর অমদি ৱেষ্ট নাইলনচিংবা লায়নাশিং অসিনি।

শকহেনসনা :- হায়রিবা পুন্নমকসিদি খরখক্তনি, মসিদসু নৎতনা অৱাবা কয়া মায়য়োক্লরক্কদৌরিবনি ঐখোয়না ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসিদগী ঙাকথোকহৌদ্রবদি।

ইনুংঙানবা :- শাবগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা ভারতকী ট্রোপিকেল জোনগী শরুক্তা লৈবা মফমশিংদি কা হেন্না শাবদগী হিট ৱেভকী অৱাবা কয়াসু থেংনরক্লি, হৌখিবা চহি অহুমরোমসিদা রাজস্থানগী ফালোদি হায়রিবা মফমসিদা শাবগী চাং সেলসিয়স ডিগ্রি ৫১ ফাওবা য়ৌখি।

যোহেনবা :- ইং ২১০০ দদি পাকিস্তান, ইন্দিয়া অমদি বঙ্গলাদেশকী মফমশিংদা কা হেন্না শাবদগী মীওইবশিংনা লৈবদা অৱাবা ওইরগনি হায়না হায়রি।

চঙখোনলৈমা :- ইস ! ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা ঐখোয়দা পীরক্লিবা চৈথেংশিং অসিদি য়াম্নমক কিনিংঙাইনিবো।

শকহেনসনা :- ঐখোয়না ঙসি খঙলিবা উরিবা অসিদি খরদনি, চহি খরগী মতুংদদি মালেমসিদা মীওইবনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবদা অৱাবা ওইরক্লগদবনি।

পান্থোই :- তামোহোয়না ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স অমা ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ওইরকপা অমাংবশিং অমদি মসিদগী করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বা অমা তৌগদৌরিবসি য়াম্নমক কান্নগনি খল্লি।

শকহেনসনা :- সার যোহেনবা অমদি ইনুংঙানবনা ঐখোয়দা লাকপীদুনা চাক চরা অমতং চামিন্নসি য়াবিবগীদমক থাগৎচরি, পুংসু থেংজিল্লক্লে সারহোয়গী য়ুম য়ৌনবা ঐ মথং-মথং থিনজরল্লগে, অমুক চৎনবা তৌরসি।

পান্থোই :- তামো ঐসু সারহোয় থীনবা য়াওগে, য়ুম খঙবা ওইনা।

চঙখোনলৈমা :- ঐসু লাক্কে মোই তামো সারহোয় থীনবা চৎপদু।

শকহেনসনা :- হোয় হোয় লাকও লাকও ঐখোয় পুল্লপ হেক্তা থীনলুরসি।

-ম্যুজিক-

(মফম: এয়াপোর্ট, মতম: অয়ুক পুং মাপলমুক তারকপা মতম, মীয়াম লাংবগী খোঞ্জেল, প্লেন লেন্দিং তৌরকপগী মখোল)

পান্থোই :- (হাথু হাথু ঙাংবা) তামো ... ইনম্মা... সারহোয় চৎখিবনা হাল্লনি, পরপ পরপ লাকও সারহোয় উন্নহৌদবা তারে।

চঙখোনলৈমা :- ঐনা ঙসাইনা খরা ঙন্না চৎসি হায়বদু য়ারম্লদি হোবে হোবে তৌরিসি তৌরমখিগদরা।

শকহেনসনা :- ঙাংদুনা অমুক লৈদৌ শরুক নখোংদু খরা থুনা থাংঙকউনে।

পান্থোই :- এ ! সারহোয়দি সিদা ফমদুনা লৈরে... সার ইনুংঙানবা... সার য়োহেনবা...।

ইনুংঙানবা :- পান্থোই ! নঙদি নতোমতা লাকপরা কনাগা লাকইনো

পান্থোই :- ইনম্মগা তামোগসু য়াওরকই, সারহোয়দি কনফরেন্স লোয়রগা চৎলমদাইদা ঐখোয়দা লাক্কনি হায়বসু লাক্তে (থৱাই নুংঙাইতনা হায়বা)।

য়োহেনবা :- অরজেন্ত কোল অমা লাকপদগী ঐখোয় থুনা হন্দবা য়াদবদগী খুদক্তা ফ্লাইট টিকেৎ ককপনি চৎননবা অদুনা লাকপা ঙম্লমদরে নঙ শাওনুকো।

চঙখোনলৈমা :- সারহোয় চৎখিদৌরে হায়বদুদা অমুক্তং উন্নজহৌগে হায়দুনা লাকচরিবনি।

ইনুংঙানবা :- খিৎতং থুনা হন্দবা য়াদবা মরম লাকপদগী তৌবনি, ৱারৌবীবা য়াদেকো।

শকহেনসনা :- ঐখোয় য়াম থুনা কনফরেন্স অমা অমুক শিন্নবা তৌজরি মদুদসু সারখোয় শোয়দনা লাকপীয়ুকো।

য়োহেনবা :- শোয়দনা লাকচগনি, ঐখোয় অমুক চৎলুখিগে সার।

পান্থোই :- সার ইনুংঙানবা... সার য়োহেনবা... ঐনা শেমজবা উ মোরোক্কা ঙারীগগী অচারসে পুবিখো, ঐনা সারহোয়গীদমক থৱায় য়াওনা শেমজরকপনি।

য়োহেনবা :- পান্থোই ! চৎলুখিগেকো।

-ম্যুজিক-